# ব্লু হোক খুরাই লম্লোংনা থাও অদুগা ট্রাও ক্বাকৈথেলনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ২রক শুবা এম এন সী এ মেন্স অন্দর-২৩ হাওবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ব্লু হোক খুরাই লম্লোংনা থাও থাংমৈবন্দ অদুগা ট্রাও ক্বাকৈথেলনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও মায়থীবা পীখ্রে।







ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা ব্লু হোক অমসুং থাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস থাওনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা ব্লু হোকনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ব্লু হোকনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা নন্দকিশোর অমসুং সামসং মৈতৈনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন ওইখিবা সামসংনা বোল ৮ মায়োক্লবদা রন ৫ খক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখ্রবসু মহাক্কী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন ৱাংময়ুম ফরিদ অমদি অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন নন্দকিশোরনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী টিমগী রন মশীং য়াম্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। বেটসমেন নন্দকিশোরনা বোল ৬২ মায়োক্লবদা রন ৫৪, অদুগা ৱাংময়ুম ফরিদনা বোল ৩৪ মায়োক্লবদা রন ৫২ লৌরমখি। অতোপ্পা বেটসমেন নোংদম্বা খুঞ্জাময়ুমনা বোল ২২ মায়োক্লবদা রন ৩৪ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহনবদা অমুক্কা হেন্না মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ২৩ লোইবদা ব্লু হোককী ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৭৩ লৌবা ঙমখি।

থাওনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন পুখ্রম্বম হিলবর্টনা বোল ২৩ মায়োক্লবদা রন ১০ খক লৌরমখিবা অদুনৎতনা লেমহৌরিবা টিম অদুগী বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ১২ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৪৪ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ব্লু হোকনা লাকচনা রন ১২৯দা মায় পাকখিবনি।

পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা ট্রাও অমসুং ফোর্সকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ট্রাওনা লাকচনা রন ১০৩দা ফোর্স মায়থীবা পীরমখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ট্রাওনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ২৮৭ লৌবা ঙমখি। অদুগা ফোর্সনা ওভর ২৯.৫ লোইবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৮৪ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ট্রাওনা রন ১০৩দা মায় পাকখিবনি।

# মেজর জোটিন ফুটবোল টুর্নামেন্ট : ৱাফা ৱাঙ্গোইনা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ থোইখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):** স্প্যের কোর্পস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন মোইরাং অনীনা খূৎশম্নরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ঙরাংদগী হৌরগা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা হৌদোকখিবা অহানবা মেজর লাইশ্রম জোটিন সিংহ অশোক চক্র মেমোরিএল ইনভিটেশন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬কী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ মায়থীবা পীখ্রে।



ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা ৱাফা অমসুং ৱাই এস দব্লিয়ু এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈ-শিংবা মান্নবা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। নাকল অনীমক্না পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঙম্নখিদবদগী পাঞ্জল ০-০দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অদুম্মক বোল পায়বগী চাং চাংচৎতা মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা কয়া অরেম্বদা তাখি। মেটচ অদুগী ৭৮ শুবা মিনটতা ৱাফানা ফজরবা কাউন্টর এটেক অমা চথবা ঙমখি। ফজরবা কাউন্টর এটেক অদুদা টিম অদুগী শান্নরোয় এ ব্রজমণিনা খোঙলৈ থুনা ৱাই এস দব্লিয়ু এগী মায়কৈদা মেটচ অদুগী অমদি মখোয়গী টিমগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ৱাই এস দব্লিয়ু এগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু ৱাফাগী হৈ-শিংলবা দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী মায়কৈদা চথরকখিবা এটেকশিং অদুবু হৈন-শিংনা থিংদুনা অরেম্বদা তাহনখি। ৱাই এস দব্লিয়ু এগী মায়কৈদগী কাউন্টর এটেকশিং চথদুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ৱাফা ৱাঙ্গোইনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেটচ কম্মিস্নরনা অতাও রাহমননা ওইখি। রেফরিনা টি ঐচ অরুনকুমার অদুগা এসিষ্টেন্ট রেফরিশিং ওইনা মোহমদ লাটিফ অলি অমসুং মোহমদ নাদিমনা মথৌ তৌখি। অদুগা ফোর্থ ওফিসলনা সর্টো অথাং কোমনা ওইখি।

# ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট : এস এন সী সঙাইপ্রৌনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খো মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন (এম ভি সী এ)না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা অনীরকশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেম্মা দেবী মেমোরিএল টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসিদগী হৌদোকখিবগা লোয়ননা হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা এস এন সী সঙাইপ্রৌনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খো মায়থীবা পীখ্রে।




টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ঈ এস য়ুনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ঈ এস য়ুনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা রাজেশ খাঙেম্বমনা বোল ২৪ মায়োক্লবদা রন ৩৫, এন মণিকান্তনা বোল ২০ মায়োক্লবদা রন ২৫, শান্তিকুমারনা বোল ১৮ মায়োক্লবদা রন ১১ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ৬ তুরগা পূন্না রন ১৪৮ লৌবা ঙমখি।

এস এন সী সঙাইপ্রৌনা টার্গেট রন ১৪৯ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা চাংচৎতা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ১৯.৩ লোইবদা ৱিকেট ৫ তুরগা টার্গেট রন ১৪৯ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু এস এন সীনা ৱিকেট ৫দা মায় পাকখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এস এন সীগী রাজেশনা তাখি।

# সী এফ এ অমসুং ইশোক এফ এ মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)গী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা চথরক্লিবা অন্দর-২৩ বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ)না এন বি সী এ অদুগা ইশোক এফ সীনা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ং স্মার্ট য়ুনিটি ক্লব (ৱাই এস য়ু সী) অমসুং নেরোকা এফ সী দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা ৱাই সী দব্লিয়ু ও গ্রাউন্দ হৈনৌবোক্তা সী এফ এ অমসুং এন বি সী এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সী এফ এগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা এন বি সী এবু সী এফ এনা পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি। সী এফ এগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩৩, ৩৫ শুবা মিনটতা দেনিসননা অনী, ৫১, ৫৪ অমসুং ইঞ্জুরি টাইমদা অরাম্বম পারিনা অহুম অদুগা ৩শুবা মিনটতা গোরোবনা অমা চনখিবনি।

নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা ৱাই এস য়ু সী অমসুং নেরোকা এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি। অদুগা ইশোক এফ সী অমসুং ট্রাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইশোক এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

# যোগ এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসুং নুপীশিংতগী ওইবা যোগ কম্পিটিশন পাঙথোকখ্রে





**ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):** যোগস্না ভারতকী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর যোগস্না স্পোর্টস এসোসিএশন (এম ৱাই এস এ)না থা অসিগী ৮দগী হৌরগা চথরকখিবা যোগ এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা নুপীশিংতগী ওইবা যোগ কম্পিটিশন অমসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর যোগস্না স্পোর্টস এসোসিএশনগী ষ্টেট সেক্রেটরি পুখ্রম্বম বিরপ্রদাশনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্টরনেশনল ৱিমেন্স দে ২০২৫গা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পূন্না মীওই ৯৩ না শরুক য়াখি অমদি যোগ কম্পিটিশন অদুদা পূন্না নুপী ১২৩না ট্রেদিশনেল ইভেন্টতা অথোই-অহেন চাংদম্নখি। জজ ১৪না চাংদম্নখিবা অদুবু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী শরুক ইরবী মাউন্ট ইভরেষ্ট ইহান হান্না কাবা ঙমখিবী নিংথৌজম বিদ্যাপতি, মণিপুর ইন্টরনেশনল য়ুনিভর্সিটিগী প্রো-ভাইস চাঞ্চেল্লর পি কুমার, রেজিষ্টর টি বিশেশ্বরী অমদি মণিপুর যোগস্না স্পোর্টস এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ডা. নাওরেম চাওবা অমদি সেক্রেটরি পুখ্রম্বম বির প্রদাশনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

যোগ কম্পিটিশন অদু কটাগোরি মঙাদা পাঙথোকখি। লোয়ননা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা সর্টিফিকেট, টি-শর্ট অমদি শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। সব-জুনিয়রগী ওইনা ইরুংবম জেনিকা, কাঙুজম মালেমঙানবী, থাদোই অহোংশাংবমনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি। জুনিয়রগীদনা সোনিয়া, সিন্দিয়া, জেস্মিতানা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1421**

**IM Agrawal Vantika (2392) - GM Kateryna Lagno (2515)**
**World Blitz Women 2024 New York USA, 2024.12.30**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 e6 | 3.Nf3 Nf6 | 4.Nc3 Be7 |
| 5.cxd5 exd5 | 6.Bf4 c6 | 7.e3 Nbd7 | 8.h3 Nf8 |
| 9.Bd3 Ng6 | 10.Bh2 Bd6 | 11.Bxd6 Qxd6 | 12.O-O O-O |
| 13.a3 Re8 | 14.Qc2 Qe7 | 15.Nd2 Nh4 | 16.Rae1 Be6 |
| 17.e4 dxe4 | 18.Ndxe4 Nf5 | 19.Nxf6+ Qxf6 | 20.d5 Nd4 |
| 21.Bxh7+ Kh8 | 22.Qb1 cxd5 | 23.Bd3 Bxh3 | 24.gxh3… |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1420 Solution :**

**29. Ra8 Qxa8**
29...Rb8 30.Qxg5+ Kh7 31.Rxb8
29...Qb8 30.Qxg5+ Kf8 31.h7
**30. Qxg5+** The white queen captures Black's rook, which was defending the square d5, Black's pawn and the square g4. The white queen attacks Black's king, which is defending the square h7 and the square h8. **Kf8**
30...Kh7 31.Qg7#
30...Kh8 31.Qg7#
**31. h7 Qa1+**
31...Ke8 32.h8=Q+ Kd7 33.Qxa8
31...f6 32.h8=Q+ Ke7 33.Qh7+
**32. Kh2**
32.Kg2 Ke8
32...Qg1+ 33.Kxg1 f6 34.Qxf6+
32...Qf1+ 33.Kxf1 f6 34.Qxf6+
32...Nd3 33.h8=Q#
33.h8=R+The white rook attacks Black's king, which is defending the square f8.
33.h8=Q+The white queen attacks Black's king, which is defending the square f8. Kd7 34.Qgd8#Swallow's tail mate
34.Qhd8#Swallow's tail mate
33...Kd7 34.Qd8#Swallow's tail mate
**32. ...Ke8**
32...Qh1+ 33.Kxh1 f6 34.Qxf6+
32...Qg1+ 33.Kxg1 f6 34.Qxf6+
32...f5 33.h8=Q+ Kf7 34.Qgf6#
**33. h8=R+** The white rook attacks Black's king, which is defending the square f8.
33.h8=Q+The white queen attacks Black's king, which is defending the square f8. Kd7 34.Qgd8#Swallow's tail mate
34.Qhd8#Swallow's tail mate
**33. ...Kd7 34.Qd8#** Swallow's tail mate
**1-0**

# কোচিং কম ট্রায়ল সিলেকশন পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):** উত্তর প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫রক শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সিনিয়র মেন নেশনল চেম্পিয়নশিপ ২০২৫দা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেম্নবগীদমক কোচিং কম ট্রায়ল সিলেকশন অমা থা অসিগী ১৭কী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর হোক্কীগী সী ঈ ও মোইরাংথেম প্রেমেশ্বরগী চেরোল অমনা হায়রি।

HL-P/1954/14

## Ph.D. DEGREE AWARDED

**Mr. Gurumayum Robert Michael,** Assistant Professor, Department of Electronics and Communication Engineering, Dibrugarh University Institute of Engineering and Technology (DUIET) মহাক্কী Research Topic **"Vocal Emotion Recognition Using Native Language of Manipuri Using Speech Signal Processing Techniques"** তা য়ুম্ফম ওইরগা Dibrugarh University না Doctoral (Ph.D.) Degree পীরক্লে। Jorhat Engineering College গী Professor Dr. Aditya Bihar Kandali না মহাক্কী Guide ওইখি। Dr. G.R. Michael ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকাইদগী গুরুময়ুম রোবিনচন্দ্র অমদি মোইরাংথেম মেম্মা গী মচানুপা অহলনি।



নীংশিংবা য়াই Dr. Michael গী মনাও অনীমক Dr. G.R. Kenedy, Asst. Professor, UPES, Dehradun অমসুং Dr. G.R. Daniel, Guest Lecturer, MGUVV, Durg Chhatisgarh মমাংদা হান্না Ph.D. ফংখ্রবনি।

**With Best Complements from Family & Relatives**




HL-B/9411/14





HL-B/9302/14 Mar.

মমি ৱারী

## নঙগা ঐগা কাওনসি

থৱান



Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com